## মীয়ামগী নুমীৎ

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩(ঐচ এন এস): হৌখিবা দিসেম্বর থা অমসুং চৎলিবা জন্যুৱারী থাগী ওইনা হিলস লীদরস দে অমসুং মীয়ামগী নুমীৎ লাক্লিবা জন্যুৱারী ১৫দা পূন্না পাঙথোক্লগনি। মীয়াম্না থেংনরিবা খূদোংচাদবশিংগী মরমদা অইবা চেরোল ওইনা চীফ মিনিষ্টরদা ৱাকৎলকপা য়াগনি হায়না সেক্রেটরি টু চীফ মিনিষ্টর নিংথৌজম জিওফ্রিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## নোংমৈ কাপ্পবদা এন এস সী এন (য়ু)গী কাদর অমা শিরে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩(ঐচ এন এস): খৌপুম পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তাওরেংপুং খুলগী উমংদা জেদ য়ু এফ অমদি এন এস সী এন য়ুনিফিকেসনগা থেংনদুনা নোংমৈ কাপ্পবদা এন এস সী এন য়ুনিফিকেসনগী কাদর অমা ওই থংবগী ফৈগলদা নোংমৈ মরুনা পান্দুনা শোকপদগী মনাক নকপদা লৈবা পি ঐচ ঈদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে।

মহাক্কী মমিং মৈসুবোন (৫০) কৌই। মহাক নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লৈসোক খুলদা লৈবনি। মহাক হৌজিক খৌপুমগী প্রাইমরি হেল্থ সেন্টরদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি। নোংমৈ মরুনা পান্দুনা শোক্লবা মৈসুবোন হান্না জেদ য়ু এফ (কোনসাং) গ্রুপতা য়াওরম্বদগী অমুক এন এস সী এন (য়ু) দা য়াওখিবনি হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা খৌপুম পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবগী থবক চথরি।

## নোংপোক নিংথৌ ইরাৎ থৌনি পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস): জিরি তুরেলগী লৈঙাংপোকপীদা লৈবা নোংপোক নিংথৌগী ইরাৎ থৌনি থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

নোংপোক নিংথৌ ইরাৎ থৌনি লূপ লৈঙাংপোকপী অমদি শামুপুনবী গুলার্থোল জিরিবামনা শীল্লগা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা নোংপোক নিংথৌ ইরাৎ থৌনি লূপকী চেয়রমেন জি শরতনা হায়খি, চহী ১৯ লোমগী মমাঙদগী শেংলবা লাইফম অসিদা লাই খুরুম্বগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। জিরি তুরেলগী ময়াইদা লৈরিবা অসিগুম্বা য়াম্না মরুওইবা লাইফম অসি ঐখোয় খুদিংমক্না নীংথিনা খুরুম্বা তাই। লাইফম অসিবু য়োকখৎপা তাই। মফম অসি প্রোটেক্ট তৌনবা জিরিবামগী মীয়াম্না হোৎনদুনা লাক্লি হায়নসু মখা তারি।

## কন্দেম তৌই : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস): অসাম ইন্দিজিনস পিপলস প্রোটেক্সন কম্মিটিগী সেক্রেটরি সেরাম হেরাজিৎপু সিলচর পুলিসনা ফাবগী থৌওং অদু কন্দেম তৌই হায়না ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন সিলচর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি এস পারিতোননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, য়েলহৌমী-শিংগী রাইটকীদমক হোৎনজবা অসিগুম্বা মীওই অসিবু মমাঙ থাগী ২৭তা ফাবগী থৌওং চথখিবা অসি য়ুনিয়ন অসিনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। অসিগুম্বা থৌওং অসি য়ানিংদে হায়নসু মখা তারি।

## থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস): ভারতিয়া দলিট সাহিত্য একাদেমী দিল্লিগী ৩৫শুবা নেসনল কনফরেন্সতা মাইস্নাম মঙ্গী, প্রধান পোৎশংবম গ্রাম পঞ্চায়টতা লেমজনফম ওইরবা অম্বেদকর নেসনল ফেল্লোশিপ এৱার্দ ২০১৯ পীরকপদা নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা মহাকপু তরাম্না ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না সোসল দিভলপমেন্ট এসোসিএসন, অৱাং পোৎশংবম খুল্লেনগী সেক্রেটরি বাবুরামনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সোসল দিভলপমেন্ট এসোসিএসন, অৱাং পোৎশংবম খুল্লেন্না শীন্দুনা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা এস দি এগী প্রসিদেন্ট সৌবাম তোম্বনা প্রিসাইদ তৌখি। নেসনল এৱার্দী ডা. রাজকুমার গুনচন্দ্রনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। সৌবাম নাগেশ্বর, নোংমৈকাপ্পম গুলাপি, নান্দৈবম অচৌবা, লাইশ্রম মংলেমচন্দ্র, খুন্দোংবম ইবোহল অমসুং ৱাই কুমারনা দেজদা ফমখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা তোম্বনা ফোঙদোকখিবদা, প্রধান মাইস্নাম মঙ্গীনা চহী ১০ রোম অসি মীয়ামগীদমক কখোক্তুনা পুকচেল শেংনা থবক তৌখিবগীদমক শক খঙদুনা লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা অসি পীরকখিবনি। মঙ্গী পোৎশংবম গ্রাম পঞ্চায়টকী ওইনা নেসনল এৱার্দ ফংবা অহুমশুবা মীশকনি হায়নসু ফোঙদোকখি। প্রধান অমা ওইনা মঙ্গীনা পঞ্চায়ট অসিগী থবক থৌরম কয়াদা কখোকপগা লোয়ননা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক লেপ্পনা তৌখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## লৌরোই ফেষ্টিভেলদা ষন লাবা ফজবা তান্নবগী থৌরম পাঙথোক্লগনি : কম্মিটি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস): লৌরোই ফেষ্টিভেলগী শরুক অমা ওইনা অহুম্লকশুবা ষন লাবা ফজবা তান্নবগী থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না ষ্টেট লেভেল লৌরোই ফেষ্টিভেল ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী কনভিনর এল লোকেন্দ্রোনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লমদম অসিগী লৈহাওদা চাউরক্লিবা ফুরুপ-কাঙলুপ পুম্নমক ঙসিদগী চহী ৪০/৫০ গী মমাঙদগী শা-ষনশিংনা ঐখোয়গী য়াম্লবা লৌবুক-লম্হাংশিং অসি তেম্পাক-লৈতুম খোইরগা লৌউ উদুনা মীওইবা ঐখোয়বু থাকপীরকখিবনি। ঙসিদগী চহী ১০০ রোমগী মমাঙদা ইপা-ইপুশিংনা ষনপোৎ মতুং ইন্দুনা তেম্পাক মরক্তা থাখিবা লৈখোম-লৈনাংদগী থোরকপা লাইরেম্বী ফৌওইবীগী শক্তম লৌরিবা চেঙ, ফৌনা ঐখোয়বু হিংহল্লকপনি। ঙসি হিংলিবা ঐখোয় অসি ইপা-ইপুশিং অদুগী চাদা-নাওদা ঙাক্তনি। লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিং অদুনা ষনপোৎ খোইরগা লৌ উরকখিবনি।


কুমজা ২০০৯ দগী খুম্বোংদা য়াম্না পীক্কা হৌরকখিবা লৌরোই ফেষ্টিভেল ঙসিদি মীয়াম্না মরুওইবা থৌরম অমনি হায়বা খঙলকপদগী মতেং পাংলত্তুনা ষ্টেটকী থাক য়ৌরকখ্রে। ফেষ্টিভেল অসি থা অসিগী ২০দগী ২২ ফাওবা হৈয়ু পার্ক ফয়েং খুঞ্জাওদা লৌরোই ফেষ্টিভেল ওবজার্ভেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোক্লগনি। ফেষ্টিভেল অসিগী নীনি চনবা নুমীৎ থা অসিগী ২১ দা ষন অমদি ষনবুশিংবু ঈকায় খুম্নবা অমদি পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা শা-ষন লুনা তৌদুনা মশিং হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা অহুম্লকশুবা ষন লাবা ফজবা তান্নবগী থৌরম পাঙথোক্লগনি। লৌরোই ফেষ্টিভেলগী শরুক অমা ওইনা থৌরম অসি পাঙথোক্কদবনি। অহানবা মনাদা লুপা লিশিং ১০, অনীশুবদা লুপা লিশিং ৭, অহুমশুবা মনাদা লুপা লিশিং ৫ য়াওরি।

ষন লাবা ফজবা চাংদম্নবা অসিদা য়াওরিবা পুম্নমক্তা লুপা লিশিং অমমম পীদুনা পূক্লিং থৌগৎকনি। চাংদম্নবা অসিদা ষন গাড়ী থৌবা, ষন গাড়ীগী হৈ-শিংবা উৎপা অমদি শা-ষনগী ফজবনা মীয়ামগী পূক্লিং চিংশিনগদৌরি। হৌখিবা চহীদা মোইরাংদগী খেদা সোইবমনা অহানবা, মোইরাং হনুবদা লৈবা খোইরোম বোরমনিনা অনীশুবা অমদি লংথবাল লেপ অৱাং লৈকায়দা লৈবা য়েংখোম থম্বালঙৌনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। ষন লাবা ফজবা তান্নবা অসিদা য়াওনিংবশিংনা থা অসিগী ১৮ ফাওবগী মনুংদা মিং পীশিন্দুনা শরুক য়াবীয়ু। থা অসিগী ২১ দা ষন লাবা ফজবা তান্নবগী থৌরম অসি লৌরোই ফেষ্টিভেলগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোক্কদবনি। মসিগীদমক শেম-শারে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

রূপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিএল দ্রামা ভেষ্টিভেল- মাপলনি চনবা

## আর্ট এন্দ কলচরেল ফাউন্দেসনগী *অয়েকপা লাই* উৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস): দ্রামা আর্টিষ্ট, অইবশিং, ফোক, পুৱারীগী ওইবা দ্রামা মখলশিং য়োকখৎপগী পান্দমদা রূপমহল ঠিএটর ইম্ফালনা শীন্দুনা ২০শুবা রূপমহল আর্টিষ্ট মেমোরিএল দ্রামা ফেষ্টিভেল থা অসিগী ৫ দগী রূপমহল ঠিএটরদা চথরকখিবা অসিগী ঙসি মাপলনি চনবা অরোইবদা ইন্দিজিনস আর্ট এন্দ কলচরেল ফাউন্দেসন, ৱাংখৈ লাইশ্রম লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্টকী *অয়েকপা লাই* কৌবা দ্রামা উৎখ্রে।



*অয়েকপা লাই* মিংথোনবা দ্রামা অসি কে এস ঐচ সোমোরেন্দ্র ৱাংখৈনা ইবনি। দিরেক্টরদা ও বসন্তা, ষ্টেজ অমসুং লাইটতা কে এস ঐচ ষ্টেলোন, মেক অপতা জেমস কোইরেং অমসুং ম্যুজিক্তা চিরোম শর্মা অমদি ওজিৎ হিয়াংনি।

অয়েকপা লাই মিংথোনবা দ্রামা অসি হিষ্টোরিকেল ওইবা মথুরাদা পানবা নিংথৌ বিক্রমদা য়ুম্ফম ওইবা ৱারীগী পরিংদা লাই য়েকপা অমগী পুন্সিগী তাঙ্কক্তা লীবা ৱারী অমদা য়ুম্ফম ওইদুনা পুথোকপনি।

দ্রামা অসিগী ৱারীদা লাই য়েকপদা ঙাওজবা মশাগী পামজবা লাই য়েকপা আর্টিষ্ট হায়বসি মহৌশা লাইরেম্বীগা অয়াম্বা মতমদা নকশিন্ননা লৈ। মসিনা মরম ওইরগা ফজরবা লাইরেম্বীগী শক্লোন অমদা চিংশিন্দুনা য়েকখি। ফজনবা হোৎনবদা অয়াম্বা মতমদা লাই অদুদা পূক্লিং চঙদুনা মকে শেম্বনা মথৌ ওইখি। মতম অসিদা নিংথৌগী মনাই খরনা লোইপোৎ থৌরুবগী হল্লকপদা ৱামন্দুনা পোখারিঙৈদা অয়েকপা অসি থেংনখি। মসিনা মরম ওইরগা নিংথৌদা পাউদমখি। পাউদমগী মতুংইন্না নিংথৌনা য়েংনিংবগী ঙাইঙমদনা অয়েকপা লাই অসিবু পুদুনা চৎখি। অয়েকপা লাইগী ফজবা শক্তম অসিদা ঙাওদুনা লাই অসিবু থৱায় পালহন্দুনা অহিংবা মী ওলহল্লু হায়দুনা লাই য়েকপবু কৌখি। থৱায় হাপ্পা ঙমদে হায়বগীদমক লাই য়েকপবুসু মখুৎ অনীমক ককথৎখি। মথংদা মাইবা অমুক কৌদুনা অয়েকপা লাই অদু থৱায় হাপ্পু হায়বদা ঙমদে হায়দুনা মমিৎ অনীমক কোৎথোকখি। অরোইবদা ঈশৈগী তাম্বাদা শৈশক্তুনা ঈশৈগী শুরনা শুক্ষৎলিবা শৈশকপা অফাওবা অসিবুসু কৌরগা অয়েকপা লাইদুগী থৱায় হাপ্পু হায়খি। মসিদা ঈশৈগী শুক্ষৎলবা খোঞ্জেলগী নাপোমদা অয়েকপা লাই অদুনা জ গোয়গী তাম্বাদা থোরক্তুনা শাবগী মালংদা নিংথৌনা তাওদুনা লৈখি। অরোইবদা অয়েকপা লাইনা ঙাওহল্লিবা নিংথৌগী থম্মোয়বু খুদুম চনখিবদগী অঙাওবা ওইখিবা কয়াদু খঙলকই। অয়েকপা লাইনা কৈদৌঙৈদসু থৱায় পান্দুনা মীগুম্না লৈমিন্নবা য়াদে। অদুনা অয়েকপা লাইবু মাঙহনখিবা ৱারীনি। লাই য়েকপা ওজানা মহৈরোয় অনীদা লীবা ৱারীদা শান্নবা দ্রামানি।

দ্রামা অসিদা আর্টিষ্ট হায়বসিগী মতিক ময়াই অঙকপা ওইবতা নত্তনা আর্টিষ্টকী পুন্সিবুসু উৎলি।

## কংলৈপাক মেদিকেল এন্দ নর্সিং ইনষ্টিট্যুটকী লেম্প লাইটিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস): কংলৈপাক মেদিকেল এন্দ নর্সিং ইনষ্টিট্যুট, খুরাই কোন্সম লৈকায়গী ৯লকশুবা লেম্প লাইটিং থৌরম ঙসি ইনষ্টিট্যুট অসিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিন স্কুল ওফ ষ্টুদেন্টস ৱেলফ্যেরগী প্রোফেসর টি ঐচ রতনকুমারনা হায়খি, নর্স হায়বসি মতম অমদা খরা হন্থনা লৈরম্লবসু নাইতিঙ্গলনা পুখৎলম্বদগী ঙসিদি নর্সকী প্রোফেসন অসি থাক ৱাংনা লৈরে। মীওইবগী মতেং পাংবা অসিগী মতিক ময়াইদি লোইবা লৈরোই। অনাবনা হিদাক চাবা অদুখক নত্তে। মখোয়বু লুনা চান্নদা তৌবীবা চঙই।

মণিপুরগী ওইনা লাইবক ফবা অমদি লমদমসিগী নর্সশিং অসি পীথোরকপা অমা ওইনা য়াম্না হৈ-শিংই। নর্সকী শিনফমদা য়াম্না হৈথোই-শিংথোইবা ওই। মপান লমদা মণিপুরগী নর্সশিং য়াম্না পাম্লে। এম এ সী নর্সিংসু হাংবীয়ু। অঙন্বা মতেং পাংগনি। নর্সিং কাউন্সীল ওফ ইন্দিয়াদগীসু অয়াবা লৌবীয়ু। মরুওইরিবসি ঠিওরি অদুখক নত্তে। প্রেক্টিকেল অসিসু য়াম্না মরুওই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা এম য়ুগী সেন্টর ফোর মণিপুর ষ্টদিজগী হান্নগী দিরেক্টর প্রোফেসর এন জয়কুমারনা হায়খি, মুভমেন্ট হায়বসি মহৈরোয়শিংনা খঙবা চঙই। লিদর অমগী মখাদা লৈহনবা হায়বসি মহৈরোয়শিংগীদি মায় পাকপা অমনি। হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মরুওই। হোৎনবগী মখা পোন্না ফংগদবা ঙাক্তনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখিবী জেনিমসকী হান্নগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ নর্সিং পি লন্দ্রোনিনা হায়খি, মণিপুরদা নর্সিং ইনষ্টিট্যুট হাংলমদবা কয়া হাংলকপা অসি য়াম্না নুংঙাইবা অমনি। হান্নদি মপান্দা ঙাক্তা চৎলগা তম্লম্বনি। হৌজিক নর্সিং দিরেক্টোরেটতি লৈত্রি। নর্সকী শিনফম অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। নর্স হায়বসিদি ইশানা পাম্না চঙদ্রগদি য়াদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## লংমাইচীংদা শাগৎলিবা লাইয়িংথৌ সনামহী কিয়োংগীদমক তেংবাং লেপ্তুনা পীনরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস): লংমাইচীং (নোংমাইচিং)দা শাগৎলিবা লাইয়িংথৌ সনামহী লাইনিংকোল (য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর)গী ময়োল ওইগদৌরিবা সনামহী কিয়োং (লাইশঙ) শাগৎলিবা অসিগী শেলগী তেংবাং লেপ্তুনা পীনরক্লি হায়না লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপকী লুচিংপুরেল ওইনাম মেঞ্জোরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, য়ুম্নাম অমুমচা, য়ুম্নাম লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১,০০০, য়ুম্নাম ইমোচা, য়ুম্নাম লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১০০০, খোইস্নাম নিঙোল প্রমো, খাগেমপল্লি পনখাদা লৈবনা লুপা ২০০০, খোইস্নাম ওংবী হেমাবতি, মালোম তুলিয়াইমাদা লৈবনা লুপা ২০০০, তোইজম ওংবী প্রিয়াবতি (মেমচা), থাঙ্গাপাৎ মপালদা লৈবনা লুপা ২০০০, খোমদ্রাম পন্দিৎ, লৌরেম্বম লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১০০০, সারুংবম ওংবী খোমদোন, শিংজমৈ চিংঙামখোংদা লৈবনা লৈখিদ্রবা সারুংবম হোমেন্দাগী মিংদা লুপা ১০,০০০, নিংথৌজম বসন্তা, এম এ এস জ্বেল্লরি ইন্দষ্ট্রি, ৱাহেংবম লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১০,০০০, সোরাইসম ইবোহল, সুনু সিফাই মখা লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১০০০, নোংথোম্বম রঘুমনি, লুৱাংশংবমদা লৈবনা লুপা ৫০০০, ময়েংবম অনিল, কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়দা লৈবনা লুপা ৫০০০ মতেং পাংলমখি।

থোঙাম জয়, মোংখাম লম্বীদা লৈবনা লুপা ১০০০, থোঙাম রাজেশ্বর, মোংখাম লৈরক্তা লৈবনা লুপা ১০০০, মাইবম চোইগোৎ, শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১,৫০০, নাওরোইবম জয়, শিংজমৈ ৱাংমা পেবিয়া পন্দিৎ লৈকায়দা লৈবনা লুপা ২০০০, ৱাইখোং সনাতোম্বী, শিংজমৈ ৱাংমা পেবিয়া পন্দিৎ লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১০১০, হাওবম প্রেমকুমার, খোইরোম য়াইরিপোক্তা লৈবনা লুপা ১১০০, ক্ষেত্রিময়ুম বোল্লী (হিয়াই লৈমা), চাচিং চিংখোং লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১০০০, নাওরেম ইবোহল, ক্যামগৈ মমাঙ লৈকায়দা লৈবনা লুপা ১০০০ তেংবাংবীরকখি।

মসিগীদমক লাইয়িংথৌ সনামহী থৌগল কাঙলুপনা ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচবগা লোয়ননা লাইয়িংথৌ সনামহীনা তেংবাংলোয় পুম্নমকপু পুন্সি নুংশাংবা, নুংঙাই য়াইফবা পীনবীবা ওইসনু হায়না থৌনিজরি। লোয়ননা শাগৎচরিবা কিয়োং অসি অথুবা মতমগী মনুংদা লোইশিঞ্জনবগীদমক কংলৈ য়ুমথোং অমদি কংলৈ মীয়াম্না অঙম-অঙন্বা শেলগী অমদি পোৎলম চৈরমগী তেংবাংবীরক্লবা নোল্লুকচরি। কনাগুম্বা লুপা ১০০০ দগী তাদনা তেংবাংবীরকপা মীওইশিংগী মীং, লৈফম লৈবাক মীয়ামদা খঙহঞ্জবগা লোয়ননা লাইনিংকোল অসিগী নুংবীদা হত্তুনা তুং কোয়না নীংশিংনবা থমজগনি। অকুপ্পা মরোল স্না কোনুংগী অনীশুবা সনথোং লাইনিংকোল শঙলেন্দগী খঙবা য়াগনি। তেংবাংলক্লিবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## ফ্রী রিহেবিলিটেসন প্রোগ্রাম লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস): দ্রগ রিহেবিলিটেসন সেন্টর য়ুনিয়ন মণিপুর, প্রাইভেট দি আর য়ু এম-পিনা নুমীৎ ৯০নি চথরকপা ফ্রী রিহেবিলিটেসন প্রোগ্রাম ঙসি ৱাংখৈ অঙোম লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা লোইশিনখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱাল ক্লবকী এক্স-এদভাইজর অঙোম কৃষ্ণমনিনা চীফ গেষ্ট, দি আর য়ু এম-পিগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ শরতনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। রিটয়ার্দ হেদ মাষ্টর অঙোম শ্যামকিশ্বর অমদি ৱাল ক্লবকী সেক্রেটরি অঙোম বোবিনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা দি আর য়ু এম-পিগী মেম্বর সাপম ললিতনা ফোঙদোকখিবদা, দি আর য়ু এম-পিনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী চৈথেং ফংলবশিং ময়াই কাবদগী লাপথোক্লবা হোৎনরকপা অসি অফবা খোঙথাং অমনি। ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী চৈথেং ফংলবা বিলো পোভর্টি লাইনগী মখাদা লৈবশিং রিহেবিলিটেসন তৌদুনা ফহন্নবা হোৎনবা তাই। অহানবা ওইনা থা ৩গী পায়খৎপনি। মসিদা মীওই ৫০ টার্গেট তৌবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ভেকেন্সি এসিষ্টেন্টকা উনবা য়াগনি

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস): দিরেক্টোরেট ওফ সেক্রেটরিয়ট প্লান্নিং দিপার্টমেন্ট ইম্ফালগী অহাংবা ফম খরগীদমক ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জগী ভেকেন্সি এসিষ্টেন্টকা উনবা য়াগনি হায়না ইমপ্লোয়মেন্ট ওফিসর, ইম্ফাল ৱেষ্টনা থোকপা নোটিশ অমনা হায়রি।

নোটিশ অদুনা হায়, দিরেক্টোরেট ওফ সেক্রেটরিয়ট প্লান্নিং দিপার্টমেন্ট মণিপুরদা লৈরিবা অহাংবা ফমশিং অদুদি, রিছার্স ইনভেষ্টিগেটরদা ৭ নি। মসিগী মনুংদা অনরিজার্ভ ৪, এস টি ২, ও বি সী/এম ১ য়াওরি। মহৈগী থাক্লা গ্রেজ্যুএট, মেথ/ইকনমিক্স/ষ্টেটিষ্টিক্স/এঞ্জিনিয়রিং/কম্প্যুটর ফ্রোম রেকগনাইজ য়ুনিভর্সিটি হায়বসিনি। রিছার্স এসিষ্টেন্টকী ওইনা য়ু আরদা পোষ্ট ৩নি। মহৈগী থাক্লা গ্রেজ্যুএট ইকনমিক্স/কম্মর্স/মেথমেটিক্স এন্দ ষ্টেটিষ্টিক্সনি হায়নসু ইমপ্লোয়মেন্ট ওফিসরগী নোটিশতুনা মখা তারি।

## মরাল লৈবা মীওই অথুবদা চৈরাক পীবীয়ু : এ এম এম এস ও

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস): থা অসিগী ৯দা থোকখিবা চহী নৌরিবী অঙাং অমদা ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবগী থৌদোক্তা চেন্নবা মরাল লৈবা মীওই অথুবদা চৈরাক পীয়ু হায়না ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (এ এম এম এস ও)গী ভাইস প্রসিদেন্ট এম দি জাকির হুসেননা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, পীক্লিবা নুপীমচা অমদা অসিগুম্বা থৌওং অমা চথখিবা অদু এ এম এম এস ওনা থৱায় হকচাং য়াওনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। জে এ সীনা অচুম্বা ফংনবগী চঙলকপা খোঙজংদা এ এম এম এস ওনা শরুক য়াগনি। মতুংদা অসিগুম্বা লীচৎ অসি চৎতনবা মীৎয়েং চঙগদবনি। তাবদা তুজুংলবা অসিগুম্লবা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মরাল লৈরবা মীওই লোৎতুনা লৈরিবা অসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মীৎয়েং চঙদুনা অথুবদা লোগী ওইবা চৈরাক পীবীয়ু।

নুপী-অঙাংগী য়াইফনবগীদমক পায়খৎলক্লিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা বেটি বচাও বেটি পরাও হায়রিবা স্কিম অসিনা নুপীশিংগী ঙাক শেন্নবা অমদি মহৈ-মশিং তমহন্নবা ৱাফম কয়া য়াওরবসু থবক ওইনা পাঙথোক্তে। মসিনা মরম ওইরগা নুপীশিং নোংম-নোংমগী লৈখা তারক্লি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মীৎয়েং চঙবীয়ু। ঙসিগা থানা নুমীৎ ৫নি শুরক্লবা ফাওবদা মরাল লৈবা মীওই ফাদুনা চৈরাক পীবা ঙমদবা হায়বসি লৈঙাক অসিগী অশোনবদু উৎথোকচবনি হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরাল লৈরিবা মীওই অসি অকক্লবা মতম অমা পীদুনা ফারগা লোগী ওইবা চৈরাক পীদ্রবদি এ এম এম এস ও অমদি মসিগা ৱাখল মান্নবা মণিপুরগী সী এস ওশিংগা খুৎশম্নরগা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিন্নবা শেম-শারে হায়রি।

## জন্যুৱারী ১৪, দ্রাইভরশিংগী নুমীৎ অসিদা লমদমসিদা লৈরিবা দ্রাইভর খূদিংমক্না শেন্দাল লম্বীদা মখল খুদিংমক্কী গাড়ী অমত্তা ষ্টিয়ারিং পায়দুনা থৌরোই : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস): দ্রাইভরশিংগী নুমীৎ থা অসিগী ১৪ দা দ্রাইভর খূদিংমক্না শেন্দাল লম্বীদা মখল খূদিংমক্কী গাড়ী অমত্তা ষ্টিয়ারিং পায়দুনা থৌরোই হায়না ওল মণিপুর রোদ ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱার্কর য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি মাইমোম অনিলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, মহৌশাগুম ওল মণিপুর রোদ ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱার্কর য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১৪ দা ইন্টর ষ্টেট বস টর্মিনস পার্কিংদা দ্রাইভরশিংগী নুমীৎ থৌরম পাঙথোক্কদৌরি। য়ুনিয়ন অসিনা শীন্দুনা দ্রাইভরশিংগী নুমীৎ থৌরম পাঙথোকপা হন্দক্না ৩১রকশুবনি। মরৈবাক মরমদমগীদমক তূম্ফম-চাফম খঙদনা, নোংজু-নুংশা থিদনা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা মথৌ তৌবদা লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নবা উৎকনি।

থৌরম অসিদা লৈখিদ্রবা দ্রাইভর ২৬৩গী ইমুং-মনুংনা শরুক য়াবীয়ু। মীয়াম পুম্বনসু দ্রাইভরশিংবু নুংশিবীদুনা থৌরম অসি শরুক য়াবীয়ু। দ্রাইভরশিংবু খুন্নাইদা হন্থবা মীৎয়েংনা য়েংলকপা অমদি ওৎপী-নৈবীরকপদগী থৱায় শোক্লবা দ্রাইভর লিশিং লিশিংনা কুমজা ১৯৯০গী জন্যুৱারী ১৪ দা কোইরেঙ্গৈগী অরিবা এয়র ফিল্ডদা চঙশিনখিবা খোঙজং অসিদগী ঙসি ফাওবদা জন্যুৱারী ১৪ বু দ্রাইভরস দে হায়না থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। কুমজা ১৯৯৪গী জুন থাদা নাগালেন্দগী জুবজাদা মশক খঙদবা খুৎলায় পায়বা মীওইশিংনা মহৈ তল্লিবা হেন্দিমেন অমবু তমথিবা মওংদা হাৎতোরকপদগী পেন্দ্রবা দ্রাইভরশিংনা মশিং থিঙমদ্রবা মাল গাড়ী কয়া ইম্ফালগী অকোয়বদা রেল্লি চৎখি। নুমীৎ ৯নি চুপ্পা কোইরেঙ্গৈদা খামদুনা চঙশিনখিবা খোঙজং কয়া অদু দ্রাইভরশিংগী পুৱারীদা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

মণিপুরগুম্বা রোদ ট্রান্সপোর্ট নত্তনা পোৎচৈ পুথোক-পুশিন অমসুং চৎথোক-চৎশিনগী উপায় লৈতবা মণিপুরগী মীওই লাখ কয়াগী নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়া পুশিল্লক্লিবা দ্রাইভরশিংগা লমদম অসিগী মীয়ামগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অদু দ্রাইভর য়ুনিয়ন্না ঙাক্তুনা ঙসি ফাওবা লাক্লি। মণিপুর অমদি য়ুমথংনবদা লৈবা ষ্টেটশিংদা দ্রাইভরশিংবু হন্থনা য়েংবগী অৱাবা অদু ঙসি দ্রাইভরশিংনা মায়োক্লরি। ভেন ৱাইদুনা পুখ্রগা দ্রাইভরবু তমথীনা হাৎখিবগী অৱাবা মায়োক্লরিঙৈ অসাম মনুংদা গ্যাস সিলিন্দর পুদুনা লাকচবা দ্রাইভর, হেন্দিমেন হাৎতোকপীখি। পিপিমাদা চীং নীংখায়বদা গাড়ী মনিং হনবদা খজিক্তং থেংলুবগী দ্রাইভর, হেন্দিমেনগী পুন্সি লোমখি। শকখঙদবশিংনা শেনখায়-থুমখায় পীদে হায়দুনা দ্রাইভর, হেন্দিমেন তমথীনা ফূবীখি। য়াইরিপোক্তগী দ্রাইভর মপা-মচা হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদনা দ্রাইভরশিংগী পূক্লিংদা নীংঙমদবগী মৈচাক কোক্ত্রি।

সদর হিলসকী বন্দদা নেসনল হায়ৱে ৩৭ কৈথেলমানবীদা কৈরাওদগী রহমনগী পুন্সি মাঙখিবা, য়াইরিপোক্তগী অনৱার অমদি গ্যানেশ্বর, জিরিবামগী লৈঙাংপোকপীদা এস্কোর্টকা লোয়নান চৎনবা ঙাইরিঙৈ চৈরক্তা শকখঙদবশিংনা হাৎতোকখি। সেকমাই হোটেলদা গাড়ী খামদুনা লৈরিঙৈদা শকখঙদবশিংনা ফাদুনা হাৎতোকখিবা, অসামদগী কুমুদ আলি অমদি কুমজা ২০০৬তা মতম কক্তবা বন্দদা দ্রাইভরশিংগী পুন্সিদা তেমশিংনরকপা কয়া লৈখি। এন ঐচ ৩৭গী লাংখোং এরিয়াদা খুম্বোংদগী দ্রাইভর খুলেম ইবোমচা অমদি নুমীৎসিমক্তদা নোনেগী সৈসাং খুল মনাক্তা লিলোং নুঙ্গৈ খুনৌদগী অনাস খানদা নোংমৈনা কাপশিল্লকখিবা অসিগুম্বা থৌদোকশিং ঙসি ফাওবদা য়ুনিয়ন অসিনা নীংশিংলি। দ্রাইভর খুন্নাইবু হন্থনা য়েংবীগনু হায়না হায়জদুনা লাক্লি। লম্বীগী ফীভম ফৎতবদা নত্তনা মায়কৈ খুদিংমক্তা দ্রাইভরশিংবু য়েক্লবা ওইনা উরিবা অসি মীনুংশিগা লোয়ননা মতম পুম্নমক্তা য়েংবীয়ু। লৈখিদ্রবা দ্রাইভরশিংগী মফমদা ঈকায় খুম্নবা উৎকদৌরিবা অসিদা মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু। নুমীৎসিদা দ্রাইভর খূদিংমক্না শেন্দাল লম্বীদা গাড়ী থৌবীগনু হায়নসু মখা তারি।

## ‘মীওই ১০না শাবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী দিভলপমেন্ট কম্মিটি শেম্লগনি’

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ১৩ (ঐচ এন এস): মীওই ১০না শাবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু)গী দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমা শেম্লগনি হায়না মুসু ২০১৯-২০গী ফাইনান্স সেক্রেটরি খ্বাইরাকপম নবকিশ্বরনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ফাইনান্স সেক্রেটরি লুচিংবা মীওই ১০না শাবা মুসুগী দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমা শেমগদৌরিবা অসিদা মুসুগী কনষ্টিট্যুসন ঙাক্লা থবক খূদিংমক পাঙথোক্কনি। কনষ্টিট্যুসন খঙদবা ইন্দিভিজ্যুএল ওইবা ইন্টরেষ্টতা পংতৌদা তৌবনা একাদেমীক ইনভাইরনমেন্ট অসি মাঙথরকপগী মচাক ওইরে। ষ্টুদেন্টস ওইরবা কল্লেক্টিভ ইন্টরেষ্ট খঙদবা, কনষ্টিট্যুসন ঙাক্লা চৎতবশিং অদুগী মথক্তসু এক্সন লৌনবা ওথোরিটিদা তকশিল্লগনি। কম্মিটি অসিনা এম য়ুবু অফবা মশক নাইবা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইনবগীদমক হীরম খূদিংমক্তা য়েংশিন্দুনা অশোয়বা, অরানবা য়াওরম্বা খূদিংমক মীৎয়েং চঙগনি। লোয়ননা চুমথোক্লবগী মায়কৈরোমদা খোঙ থাংজিনবা হৌগনি।

কম্মিটি অসিগী মীৎয়েং মখাদা হন্দক তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী টিচিং অমদি নন-টিচিং ষ্টাফ লৌবগী প্রোসেসতা অশোয়বা অরানবা করি য়াওরি হায়বদুসু কম্মিটি অসিনা মীৎয়েং চঙলগনি। থবক লৌবগী প্রোসেসতা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা থম্মোয় শেংনা অচান-মীরাই নাইদনা থবক তৌবীয়ু। এদভর্টিজমেন্ট থোকখিবা মতমদা হায়খিবা ক্বালিফিকেসন, এক্সপিরিয়েন্স, চহীনচিংবা খূদিংমক য়েংলগা পায়খৎকদবনি। শেমদোক-শেমজিন তৌবীগনু। মরী লৈনবা রিক্রুটমেন্ট কম্মিটিনা চথবা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেসতা ইশা-ইশাগী পর্সনেল ইন্টরেষ্টতা প্রেসর পীবীগনু। অশোয়বা তৌরম্বা য়াওরবদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওথোরিটিনা এক্সন লৌখৎপীয়ু। কম্মিটিনসু মীওই খরগী পর্সনেল ইন্টরেষ্ট ওইবা প্রেসরদা চৎপীগনু। য়ুনিভর্সিটি অসিগী ফন্দ লান্না শীজিন্নবা, কায়থোকপা মতমদসু ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীয়ু। অফবা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইনবগীদমক মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ফাইনান্স সেক্রেটরিনা লুচিংবা কম্মিটি অসিনা চথরকপা থবক থৌরম খূদিংমক্তা য়ুনিভর্সিটি অসিগী অচুম্বা অফবা পান্বা ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা মতেং পাংবীয়ু। ষ্টাফ খূদিংমক্লসু মতেং পাংবীয়ু। অফবা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইহন্নবগীদমক কম্মিটি অসিনা অসিগুম্বা খোঙথাং কয়া অসি লৌখৎলকপনি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রিক্রুটমেন্ট প্রোসেসশিংদা লন্নাই ইন্টরেষ্টতা প্রেসরনচিংবা অমত্তা পীবীগনু। চপ চাবা অচুম্বা কাঙলোনগা লোয়ননা থবক থৌরাংশিং লৌখৎপীয়ু। দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমা শেমগদৌরিবা অসিনসু কনষ্টিট্যুসন ঙাক্লা থবক খূদিংমক পাঙথোক্তুনা য়ুনিভর্সিটি অসিদা অফবা পুরক্লবা মীৎয়েং চঙগনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওথোরিটিনসু নীংথিনা মীৎয়েং চঙদুনা কাঙলোন চুম্না থবক থৌরাংশিং পায়খৎনবা হোৎনবীয়ু। মশক থোকপা অফবা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইহন্নবগীদমক অমত্তা ওইনা পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)

SANGAI TUTORIAL

Kwakeithel near Imphal College,Imphal

ADMISSION OPEN

FOUNDATION COURSE for

CLASS -IX (BOSEM) & CLASS - X (BOSEM)

Class Commencing on: 20th Jan. 2020 (4:30 p.m. - 7:30 p.m.)

CLASS -XII Arts (COHSEM) & CLASS - XII Sc. (COHSEM & CBSE)

Class Commencing on: 6th April 2020 (4:30 p.m. - 7:30 p.m.)

➡ Form issue : 3rd Feb. 2020
➡ Last-date of admission : 30th March 2020
✷ Van service available

➡ Counselling for Hostelers : 1st, 8th, 15th, 22th & 29th March 2020
➡ To be decleared for list of Hostelers : 2nd, 9th, 16th, 23th & 30th March 2020
➡ Last-date of Hostel admission : 5th April 2020

For inquiry, Pliz. visit 'SANGAI HOSTEL' kwakeithel Ningthemkol

HL-P/5879/6-30jan/1-29feb/2,4mar (alt)